# দিনচন্দ্রগী সদন দেঠকী গোলনা হোকি য়ুনিয়ন্না অহানবা থোইবী চেলেঞ্জ হোকিগী ৱিন্নর ওইখ্রে

**MATCH RESULT**

HU 6- 5 ARC (FINAL)
SSB 8 - 4 KHSC (3RD PLACE)



*ৱিন্নর ওইখ্রবা হোকি য়ুনিয়নগী টিমনা অথোইবা মীথুংনচিংবা পুন্না ফোটো নম্মিন্নবা*

***ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৮ :*** দিনচন্দ্রগী সদন দেঠতা চনখিবা গোলনা হোকি য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকাইনা অসাম রেজিমেন্টেল সেন্টর (এ আর সি) শিলোংবু গোল ৬–৫ দা মায়থিবা পীরগা অহানবা দব্লিউ থোইবী দেবী চেলেঞ্জ হোকি ট্রোফি ২০১৫ গী ৱিন্নর ওইখ্রে। অহুমশুবা পোজিসন্না এস এস বি লক্ষ্ণৌনা কেঐচ এস সি খোঙমনবু গোল ৮–৪ দা মায়থিবা পীরগা ওইখ্রে। মেন ওফ দি ফাইনেল মেটচনা হোকি য়ুনিয়নগী পি রাকেশনা তাখি।

মণিপুর হোকিনা শিন্দুনা মমাং থাগী তাং ২৫ দগী খুমন লম্পাক হোকি ষ্টেদিয়মদা চথরকখিবা ট্রোফি অসিগী হোকী য়ুনিয়ন অমদি এ আর সিনা ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদু লাম্বা চান্ননা শান্নবদগী অপীবা মতমগী মনুংদা গোল ৩–৩ অমদি টাই ব্রেকতসু শান্নরোই ৫–৫ না ইন্নখিবদা গোল ২–২ চন্নদুনা গোল ৫–৫ দা মান্নদুনা লৈবদগী সদন দেটনা ৱিন্নরগী লাইবক লেপখি। এ আর সি গী লালরুৱ্রেটলুংগানা ইনখিবা সদন দেটকী বোলদা হোকি য়ুনিয়নগী গোল কিপরনা সেফ তৌথোকখিবদগী হোকি য়ুনিয়ন্না ৱিন্নর ওইনবগী তঞ্জা অমা ফংবগী খুদোংচাবা মাংহন্দনা এম দিনচন্দ্রনা ইনখিবা বোল গোল ওন্থোক্তুনা ৱিন্নর ওইহনখিবনি।

এ আর সিগী অপীবা মতমগী গোল অহুম অদু টি ঐচ বন্তি সিংহ, এল হেরামনি সিংহ অমদি এম প্রেমচান্দ সিংহনা মথংশিংনা ১৮, ২২ অমদি ৬০ শুবা মিনিটতা চনখিবনি। হোকি য়ুনিয়নগী গোলশিং অদুনা আর কে অঞ্জিৎনা ৫ অমদি ৬৪ শুবা মিনিটতা অনি অমদি পি রাকেসনা ১৪ শুবা মিনিটতা অমা চনখিবনি।

টাই ব্রেক্কী এ আর সিগী গোল অনি অদুনা এম প্রেমচান্দ সিংহ অমদি এম রোমন কুমার সিংহনা চনখিবনি। হোকি য়ুনিয়নগী গোল অনি অদুনা কেঐচ ধনঞ্জয় অমদি আর কে অঞ্জিৎনা চনখিবনি।

অহুমশুবা পোজিসনগী এস এস বি লক্ষ্ণৌ অমদি কে ঐচ এস সি খোংমননা শান্নখিবা মেটচ অদুগী এস এস বি গী গোল ৮ অদু ঐচ সুরচন্দ্র সিংহনা মরি, প্রদিপকুমার সিংহনা অনি, ও গুনমনি অমদি এল জয়চন্দ্র সিংহনা অমমম চনখিবনি। কে ঐচ এস সি গী গোল ৪ অদুনা এল দিপু অমদি এন জেনজেননা অনি অনি চনখিবনি।

## চিংখৈহুনবা অমদি কে এ এম আর স্কুলনা টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে

***ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৮ :*** চীংখৈহুনবা পোল্লো ক্লব অমদি কে এ মেমোরিয়েল রাইদিং স্কুল শিংজমৈনা ১২ শুবা দি জি এ আর কপ ইক্কেষ্টেরিয়ান অমদি ৬ শুবা আই জি এ আর কপ জুনিয়ার ষ্টেট ইক্কেষ্টেরিয়ান চেম্পিয়নশিপ ২০১৫ গী টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা থা অসিগী ১ দগী চথরকখিবা ১২ শুবা দিজি অসাম রাইফলস কপ ষ্টেট ইক্কেষ্টেরিয়ান চেম্পিয়নশিপকী ঙসি অরোইবা নুমিৎতা শান্নখিবা সেনিয়ারগী টেন পেগ্গীং সোর্দ ইন্দিভিজুয়েলদা এম পি এস সিগী এস বিমোলনা গোল্ড, চীংখৈহুনবা পোলো ক্লবকী এল থোমসন অমসুং টি ঐচ কাওবনা সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ লৌখি।

নুপীমচাগী শো জম্পিংদা ইম্ফাল রাইদিং ক্লবকী এ রোমাবতিনা গোল্ড, চীংখৈহুনবা পোলো ক্লবকী নিলু আর কে অমদি টিঐচ তানানা সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ লৌখি।

টেন্ট পেগ্গীং লেন্স টিম ইভেন্টতা চীংখৈহুনবা পোলো ক্লব এ না গোল্ড, কে এন এম এম আর স্কুলনা সিলভর অমদি ইম্ফাল রাইদিংনা ব্রোঞ্জ লৌখি।

## ৬ শুবা অমুবা সিংহ ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌখ্রে



***ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৮ :*** য়ুথ ব্রাইট ষ্টার ক্লব শগোলবন্দ তেরা শাপম লৈরক নোংমাইথেম লৈকাইনা শিন্দুনা ঙসিদগী ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা টিম ১৮ না গ্রুপ ৬ তা শরুক য়াদুনা ৬ শুবা এস অমুবা সিংহ মেমোরিয়েল সভেন এ সাইট ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৫ হৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি মিনিষ্টর একে মিরাবাই দেবী, সাপম লৈরক গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান অথোকপম বিশ্বরজিৎ সিংহ, সব রেজিষ্টার হেডক্কার্টর ইম্ফাল ৱেষ্ট ওইরিবা আই ফুলেন মৈতৈ। আই সি দি এস প্রোজেক্ট মোইরাংগী চাইল্ড দিভলপমেন্ট প্রোজেক্ট ওফিসার লাইশ্রম ফুলোবতি দেবী এদুকেসনগী জোইন্ট দাইরেক্টর গুরুময়ুম অনিতা দেবী পদ্মশ্রী অমদি য়ুথ ব্রাইট ষ্টার ক্লবকী প্রসিদেন্ট ঐচ অপাবী সিংহনা মথংশিংনা চিফ গেষ্ট, গেষ্ট ওফ ওনর অমসুং প্রসিদেন্ট ওইখি।

হৌদোকপা থৌরমগা মরী লৈননা য়ুম্বু ওইরিবা য়ুথ ব্রাইট ষ্টার ক্লবকা সভেন সার্ভিসেসকা একজিবিসন মেটচ অমসু শান্নখি। হয়েংদগী টুর্নামেন্টকী মেটচশিং শান্নবা হৌগনি।

নুংথিলগী পুং ১.৩০ দা গ্রুপ (এ) গী এল এল ৱাই সি তেরা লুক্রাম লৈরক্কা এস এফ সি সগোলবন্দগা শান্নগনি।































Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*